"নোংপোক অমসুং নোংচুপ খেন্নরিবসি খোঙজেলদনি।
নোংপোন্না তপ্পা চেনবা, নোংচুপ্না য়াঙনা চেনবা।" - এলাংবম নীলকান্ত (অমেরিকাগা উনবা)

## মীতৈ চনু

—মোইরাংথেম তোন্দোন্বা

ভারতকী নোংপোক চিদাইদা
ঙাল্লুকো নঙদি শজিক-থবাগুম
লম্মুক্নরবশিংগী লন্বী তাক্তুনা।
মনিনি নঙদি মণিপুরগী
অশেংবা মমোল্লোইনি ইমা মাগী,
থৌনা ফবী, অখাঙ কন্নবী, লীংজেল লৈবী।
শারবা কালেনগী মৈশারক্তা
অকন্নবা নুঙ্গাই, লৈতঙ্গাই নমহক্তুনা
শাৎলকউ লৈপাক্লেগুম মালেম লৈমায়থক্তা।
লমজিংলকউ নঙনা তোল্লবশিংবু
মঙাল মৈরা থাওমৈ ওইদুনা,
জাতিসিগী তুংগী মীরোলগীদমক।
হৌদোক্লমউ নঙনা অতূন্বা নোংশা
পাঙহল্লমউ মীৎ, তূন্লিবা মীয়াম,
পুরকউ নঙনা শান্তিগী লন্বী।
য়েংলিনে নঙবু, লাইরেন্বী ইমানা,
কৌরিনে নঙবু কংলৈপাক ইমানা,
খল্লি মতম খুদিং নঙগীদমক।
কপ্লি অহিং খুদিং পিরোইননা,
মীৎলু পিরাং কংদনা,
ইমা কৈথেল লাইরেন্বীনা।

## ইপাগী নুংশিতোন্বী

—এম নিলকুমারি

ইপাগী নুংশিতোন্বী,
লেংয়ান-ঙকয়ান-ফিয়ান
মশীং থিজিল্লু।
নোংম-নোংমগী
অকক্নবা মফম মফমগীনি।
মফম মঙা মঙাগীনি।
লেংয়ান-ঙকয়ান-ফিয়ান
থন্ফম লৈতে য়োম্থোকসি
ইন্টেন্দিং কেন্দিদেটনা হেন্না সেবা পান্বনি।
মীচম মীয়ামগী সেবারিনি
মশীং থিঙমদনা পাঙথোক্কদৌরিবা
নম্বো-থাবো চাওনা য়োমশিল্লগা
অৱাংবা লৈবুংদগী য়েংথরক্কদৌরিবনি।
বস-কার-ভেন
ঙাইহাক্তুগী মীয়ামগীনি
ঙকয়ান-লেংয়ান-ফিয়ান
মশীং য়ামহনগে ঐতগী
অয়োনপোৎনি
পুন্সিসু য়োল্লিবনি।

## ইনে ইন্দোলশিং'দুদা

—শ্রীকাংজম নন্দকুমার

নাল্লবা সোরোক লমজাও
অরংবা মৈঙাল
মশক উদনা,
পোদোল তেঙ্গাল্লি
কারবা মৈঙালদা
কৈথেল লুকমাই
পাল্লদুনা মচা মশু
কয়া শেল্লক শারকখিবা
ইনে, ইন্দোল পূন্নমক।
ঙসিগী হোংলক্লিবা
অনৌবা মৈঙালগী সহর,
নুংশিদা ইনে, ইন্দোল
নখোয়গী মতমগী তাইবঙ।
ঙসিগী অনৌবা তাইবঙপাল
য়েংলিবরা নখোয়সু
ঙসিগী তাইবঙপাল,
অতোপ্পা শক্লোন
অমা লৌরদুনা।

## মীৎমাংসিদা

—মৈস্নাম বীরমনি পাল্লরবোন্দ

অসুম অসুম লাপথোকখি
লাপ্পা থাপ্পা থৈদোকখি
কন্নানা হায়রি অশেংবনি
খরনা লাউরি মীনম্বনি
মাঙথরক্লি সভ্যতা
মীৎমাঙসিদা।
পাথৌ, পন্থৌ, পারি ইমোম
লাইজ, তোরৈ, হিদেন
মুনখিবা নত্তে কন্নানসু
লোৎখি ঐগী কলমদগী
অঙৌবা চেবাংদগী
মীৎমাংসিদা।
চাওখৎপগী খুদমনি হায়গদ্রা
ইরল ইথুম মাঙহনজবা
মঙ থল্লি হায়রম্মী
নহানা মাইব শাবদি
কন্নাগী য়াথংনো
মীৎমাংসিদা।
হুরানবা মতুং মৈরীংবা
চীনবুং ৱারীদি নুঙাইনৈ
মচাক ওইজৈ নোক্নবগী
পানরি পৃথিবীগী ইতিহাস
ঈরোলনুংদা লুপখিবগী
মীৎমাংসিদা।

## ইমা মণিপুর

—ডা. অকোইজম ইবোহল

মণিপুর সনা পুংময়োন
চীংনা কোয়না পনশাবা
চীংমীনা কোয়না পনঙাকপা
ইমা নঙবু পুক্তপ্পী
পলেম নঙবু পুকফবী
নচা ওইনা পোকচবা
কয়াদা লাইবক ফখ্রবা;
পীথোকপতনা নশরুক ওইবীনি
লৌশিনবতনা মৱাৎপী নহাক্লি
অচান মীরাই নাইদবীনি
অচৌ পীশক খায়দবীনি
ইমা নঙগী নগুণদি
মপান নাইদ্রা ঈপাকনি
থাবদা লোইবা নাইররোই;
চীংদা য়েংলে শুক্মৎয়াই
তমদা য়েংলে নুংওনয়াই
মহৌশা লাইরেন্বীগী শান্নফমনি
শিরোই লিলিগী কেজফমনি
য়ারৌ সঙাইগী ওইনজফমনি
য়েংলু য়েংলু মফমদি
মিৎফম হোংবা ঙমদেদা;
কোইরেং, থাঙ্গাল, পাওনা
নপারি অথৌবা কয়ানা
মেরি কোম, কুঞ্জরানি, মিরাবাই
নমোম্লি নহাক্কী পাঙ্গনবী
ইমাগীদমক পান্থোম তিংলিবী
মীনা লাকচবা য়াহনদ্রিবা;
চহী য়াম্খৈ ফারকপদা
শরি পন্দোন লোমজগে
ইমা নঙগী নশুংলাংগীদমক
চোকথবা লৈতনা হোৎনজগে
নহাক্কী মিংচৎ ঙাক্লনবা
য়াইবী ফাওবা কৎচগে।

## চৎখ্রো কোভিদ-১৯

—বসন্তী দেবী অথোকপম

অরি অনৌ লংদাইসিদা
লেপ্লি ঐহাক্না লমুক্নরবা হিরোই অমগুম
পল্লেপ-ফমসু খঙদা পন্থুং-ফমসু য়ৌঙমদা
অরোইবা চহীনা চৎলমদাইদা
ৱাজখিবা-কপচখিবা ঙাক্তনি হৌখিবা কয়াদি
অদুবু কদাই হন্দক্তি মদুগী ওন্নবদা
চৎখ্রসনু-লোইখ্রসনু অরিবা মহাক
খল্লুরগা থোইনা হেন্না ৱাহল্লি
নীংঙমদ্রবা মৈচাক্না থন্মোয়সি
পাম্মুজখ্রবা মপারি কয়া-কয়া
সাহিত্যগী পুক্কেদা চাওনা ইনোৎ হাপ্পীরম্বা
তাঙলবা মপারি কয়া কয়া
কাউঙম্লরোই পুন্সিনা লোমদ্রিফাও
তারুবদা থন্মোয়সে পুঙমদ্রে
পাম্মুজৈ শোঞ্জবা নত্তনা
ৱানা খাঙলি নহাক্কী
মোমোন্দা নোক্কনবা মায়থোংদা
অতিয়াদা থোকপা থাজগুম ঙাল্লম্বা
মীয়ামগী থৌগলসু লোইরমদা কন্নাদসু তাক্লমদা
থন্বীরম্লে থৌগল মীয়ামদা খোঞ্জেল ওইনা
পূন্নমক লোইখ্রসনু পুখ্রসনু অরিবা চহী মানা
খন্দা প্রলোইগুম তাক্লুরবা মালেমসে
লোয়নখ্রসনু অরিবা ২০২১না চৎখিবসিদা
য়াওখ্রসনু কোভিদ-১৯ হিংচবী মহাক
অনৌবা কুমজা ২০২২সিদি ওইরসনু
অফবা, লায়না তীলনা লৈত্রবা, ঈং-চিক্লা
নুংশি চান্নবা ইমা মণিপুর অমা।

## ঐগী শৈরেংনা নোংমা

—তাহির সাজবম

শৈরেং অমা ই ঐনা
য়াম্না ৱানা হোৎনজদুনা।
ৱাহৈগী অপান্বা থিবদা
ৱাখলগী মিতম অমা শাগৎপদা
কয়াদা ৱাখিবা ঐনা
অমম্বনা মনীংতম্লবা অহিংদুদা।
নীংতম্বা থিরিবা পূক্লিং ৱাখল
কোনশিল্লকখি চেৎনা
অমম্বগী পাম্বোম্না।
অমম্বা মরক্তা
থিগনি করম্না মঙালগী লন্বী।
থেমজিনখি ঐনা
ঐগী শৈরেংবু
মীমান্নবা ঙল্লরোইদ্রা খন্দুনা
মীরক তিনবা য়াররোইদ্রা নীংদুনা
কোন্থোং ৱাংমা লানহনখিদে
থমখি কোয়শিন্দুনা
লৈই অমনা
চিংনবা ৱাখলগী।
লাকখি নোংমা লন্বীদা
শৈরেংশিংগী ৱাকৎ খোঙচৎ
খোঞ্জেল ৱাংনা লাউরদুনা
তংদু লৈতাদবা মীৎকুপশিংগী মায়োক্তা।
খান্বসু ঙমহৌদনা
চেন্থোকখি ঐগী শৈরেং
মনীং তম্লবগুম
তিনখি ৱাকৎ খোঙচত্তুদা।
য়েংদুনা লৈহৌই ঐনা
ঐগী শৈরেংনা চৎখিবদু।

## ওইরসনু অনৌবা চহীদা

—অথোকপম তোন্বা

অরিবা চহীনা পুখ্রসনু
লায়না লাইচৎ ফত্তবশিং
মীপূম খুদিংনা মীপাইরিবা
লাক্লসনু তংদু লৈতাবা
অনৌবা চহীনা লাকপসিদা।
দ্রগ লল্লোনবা তোকখ্রসনু
ইরমদমগী পোত্থোক পুথোক্লসি
চীনগা খূৎকা মান্নবা
অতনবা কৌবা মাঙখ্রসনু
অনৌবা চহীনা লাকপসিদা।
জেনরেল ইলেক্সনগী মীহুৎশিং
মায় পাকপা ওইসনু
পুকচেল শেংবা কত্থোকপশিং
শান্তি লৈবা ওইসনু
অনৌবা চহীগী খোঙচৎতা।
ইরম নালা তুরেলগী ঈচেল
খোঙজেল য়াঙনা চেলহনসি
ফত্তবা হাপ্পা প্লাষ্টিক ময়োম
তুরেল নালাদা লংথোকপা তোকখ্রসনু
তরু তনানবা ওইরসনু
অনৌবা চহীগী শক্তমদা।
মীওৎ মীনৈ নুপী অঙাংদা
ফত্তবা ৱাখল থাদোকপা ঙম্বা
অমনা অমগী মতেং পাংবা
নুংঙাই য়াইফবা খুন্নাইসিদা
লৈহাও লৈবা ইরমদমসিদা।
লৈনম চেনবা লৈ উহৈ পানবা
হৈপাল লৈপাল মরিক চুম্না হৌরসনু
শিন্থা পাংবা ঙম্বা ওইরসনু
অনৌবা চহীগী য়াওলসিদা
তাইবঙ শেম্বা মপুগী থৌজালনা।

মতম মতমগী ৱাখল

# পেনা ঈশৈ অমদি মসিগী মমল

## অশৈবা হেমাম অচৌবনা লৈখিদবদা



ঙল্লিঙৈ মীয়ামগী পোত্থানবা হরাউ কুন্মৈ ওইরকখিবশিং অসি শুম্মাং লীলা, মোইরাং পর্ব্ব, পেনা ফমশক ঈশৈ, খোংজোম পর্ব্ব, মোইরাংশাই ঈশৈনা ওইরকই। খর হেন্না চাউবদা -রাস লীলা, গৌড় লীলা, ষণ শেনবা অমদি বাসক ঈশৈ অসিনচিংবনি। ঈশৈ নোংমাই নত্তবদা ৱারী লীবা, লাইরিক থিবা হায়বা অমসু লৈরি । লাইনীং লাইশোনগা মরী লৈনবা লাই হরাউবা অসিসু কুন্মৈ মখল অমনি হায়না লৌনরকই । পেনা ঈশৈ মতম অমা পান্না তানরম্মী। পেনা ঈশৈ তাবগী নুংঙাইবসি মওং মখল খরদা ওইগনি। লাই হরাউবা লোইবগা 'কৈনিং কুম্বা' হায়দুনা পেনা ফমশক ঈশৈ শোয়দনা তাবগী চৎনবীসু লৈরম্মী। 'কৈনিং কুম্বা' ৱাহৈ অসি তাখিদবনা খঙদবসু য়াম্না লৈ। লাই হরাউবদদি পেনা ঈশৈগী মরুওইবসি চাউই। হৌজিকসু উমং লাই হরাউবদা পেনা য়াওদবা য়াদে। পেনা ঈশৈ য়াওবা য়াদবা উমং লাইসু অমুক লৈ অদুগা পেনা নত্তনা মাইবা মাইবী য়াওবা য়াদবা উমং লাইসু লৈরি। উমং লাই হরাউবসি ঐখোয়না কূন্মৈ অমনি হায়না কনাগুম্বনা লৌনরিবসি কুপথনা নৈনরগদি কূন্মৈ নত্তে। উমং লাই হরাউবা নাৎকী অচৌবা মহৈশঙ অমনি। হারাউবা হায়বা অমা পল্লি হায়দুনা কূন্মৈ অমগুম য়াংনা লৌবদা অরানবা ওইগনি। ৱাফমসি মাগী মাগী ৱাখল্লোন্নি।

পেনা ঈশৈনা মরুওইবা থৌদাং লাই হরাউবদা লৈরম্বসি ঙসি মমিংতগী ওইনা য়াওবা উরি। পেনা ঈশৈনা লাই হরাউবদা মরুওইবা থৌদাং লৌরি হায়রিবসি লমদমসিদা চৎনরিবা হরাউবা মখল খূদিংমক্তনি। পেনানা মরুওইবা থৌদাং হেন্না লৌরিবা লাই হরাউবদি মাইবা মাইবী শরুক য়াদবা পেনা খক্তনা হরাউবা মফমশিংদনা হেল্লি। পেনা খক্তনা লাই হরাউজবা উমংলাইশিংগী মরক্তগী লাইনিংথৌ শামুরৌ লাকপা শমুরৌদা লৈরিবা অসিদা মিৎয়েং থম্লগা নৈনদুনা য়েংবা য়াই।

লাইনিংথৌ শামুরৌ লাকপগী ৱারীদি শামুরৌ লমদমগী অহল লমন, অখঙ-অহৈশিংনা হেন্না মরীক চূম্না খঙবীগনি। লমদমসিগী অরীবা লাইরিকশিংগী মনুংদা য়াম্না মরুওইবা 'নুমিৎ কাপ্পা' হায়রিবা লাইরিক অসিদা থৌদোক অসিগা কোন্নবা ৱারী ৱাখোং তাক্লি। য়োইময়াই তাউদনবা, তাউহুইরেং মচিন মনাও অনীনা পানখিবা মতমদা অনীমক্কী মনাই ওইখিবা খ্বাই নুংজেং পিবানি। অনীগী থৌগল তৌবদা য়ুমদা হন্দুনা য়ুমগী নুপী অমদি মচাগা ফাওবা উন্নবা ফংলকত্রবদা মচিন মনাউ অনীগী মরক্তা অমা তেন্না কাপথরগদি য়ূমদা হনজবা ফংলগনি খঞ্জবদগী লুমদুনা তেন্না তাউহুইরেংদা কাপখি। খ্বাই নুংজেং কিবদগী য়োইময়াইনা মোইরাং তান্না চেন্দুনা লোৎখি। নিংথৌ পান্দ্রবদা ৱানরবা মীয়াম্না য়োইময়াইবু মোইরাংদগী পেনা খোংদুনা কৌখৎলুই। নম্বুল তুরেল মরিলদা পোং তোংদুনা পেনা খোংলগা কারক্লবদা লন্বীদা পেনা শামৈ মরী তৎখি। পেনা অশৈবনা মরী তৎপা শেল্লিঙৈ য়োইময়াইনা তপ্পা তপ্পা কিনা হঙ্গোইনা পোং তোংদুনা লাকপনা লমলেন শামুরৌ য়ৌখি। পেনা শেন্বা লোইদুনা লাক্লবদা মখা তানা য়োইময়াইবু চৎসি হায়বদা য়াখিদে। লমলেন শামুরৌদা লৈরগে হায়দুনা লৈখিবদগী ঙসিগী খুভম অসি ওইখি হায়না ৱারীনরি । য়োইময়াইনা পনখিবা মফম অসিদা ঙসি ফাওবা কুমগী থৌরম পেনা খক্তনা লাইনিংথৌ শামুরৌলাকপা হরাউবা হায়না পাংথোক্লি। ৱারী অসি শমজিন্না নীংশিংজবনি। অখঙ অহৈ ময়াম্না হেন্না খঙবীবা লাইরিক্তা লৈবা ৱাফম্নি ।

লাইনিংথৌ হরাউবা অসি মতাংসিদা পঞ্জবগী মরমদি পেনাগী থৌদাং অসি নীংশিংজ নিংবদগীনি। লাইনিংথৌ শামুরৌ লাকপা করম্না হরাউবগে ? লাই হরাউবা মখল মরী মপূংদা চৎনরিবশিং অসিগী মনুংদা লাইনিংথৌ শামুরৌলাকপা হরাউবগা খেন্নরিবসি করিনো ? মসিদা পেনানা লৌরিবা থৌদাং করিনো হায়বসি অনকপদা লৈবীরিবা শামুরৌ লমদমগী মীয়ামদি উবীরি, থেংনবীরি। খুদোং চাদবদগী উবা ফংদবা মীওই কয়া অমসু মাইকৈ কয়ামুক্তা লৈরি। অতৈ লমদা হরাউরিবা মচৎশিংগা লাইনিংথৌ অসি হরাউবগা মান্নদে। পেনা ফমশক শকপা অশৈবনা পেনা ঈশৈখক্তনা শক শোনবা থৌরম ওইরি। মতাং অসিদা নোংমগী থৌরম অমা পেনা ঙাক্তনা শক শোনবা হায়বসিদা পেনা অশৈবগী মরুওইবসি চোংথোকলকই। পেনা অশৈবা অদু অখঙবা, অহৈবা অমা নৎত্রগদি লাইনিংথৌগী থৌগল চঙলুবদা অরুবা ওইগনি। লাইনিংথৌ শামুরৌলাকপগী থৌরম শিনবী লাংবীরিবশিংনা মশক খঙবা পেনা অশৈবা অমবু হায়নদুনা থৌগলশিং লেপ্পুনা পুহন্দুনা লাকখি। পেনা অশৈবশিং লোইনমক লাইনিংথৌগী থৌগলদা য়াওবা ঙমদবসু লৈরি। মরুওইবা মরমদি মথক্তা পঞ্জখিবা পেনা ফমশক ঈশৈ হায়না খঙনবা ৱারী লীশাং খঙবা, ঈশৈ শৈশক শুনা শকপা ঙম্বা অদুগুম্বা অশৈবা অদুনা লাইনিংথৌগী থৌগল অসি পুরকখি হায়বসিনি। পেনা শকপা অশৈবশিংনসু লাইবুঙ অতৈদা থৌগল চঙবগুম লাইনিংথৌ অসিগী লাইবুংদা থৌগল হেক্তা ফংলুগে হায়নসু খন্নদে।

ঙসি লমদম অসিদা পেনা খোংবা নহারোল নুপী নুপা য়াম্না থোকলকপা উরি। মসি নাকল অমরোমদা অফবনি। মখোয়বু শৌগৎপীবা পূক্লিং থৌগৎপীবা চঙলি। পেনাগী মরম চুম্না খঙনা তম্লগা পেনা শকপা, খোঙবা চুমগনি হায়নবা কনাগুম্বসু য়াওই। মীয়ামদা উৎপগী লৈতেংগী ওইনা খোংবা য়াওরম্বা য়াই অদুনা হায়বীবসু ওইগনি। মতম অমা অহল লমনশিংনা পেনা খোংবা 'অশৈবা' হায়না লৈমা নিংথৌনা মনা ফি পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখিবশিং অদুনা লৌখিবা থৌদাং অদুদি অৱাংবা থাক্লি। ঙসিদি তাকপীবা ঙম্বা ওজাশিং, অশৈবশিং অদু লৈখিদ্রে। শক্লাইখিবশিং অদুগুম্না খঙ-হৈনবা ঙসিগী পেনা খোঙবীরিবা নহারোলশিংনা হোৎনরিব্রা ? ফমশক ঈশৈ শৈশক শুনা খঙলবা অশৈবা কয়া য়াম্না লমদমসিদা হৌজিক লৈরিবগে ? পেনাগী মমল খঙনা পেনা খোঙবা তল্লিব্রা হায়বা ৱাহংসি হংফম ওইরকই। পেনা খোংবদি মশীং য়াম্না উরে। লাইনিংথৌ শামুরৌলাকপাগুম্বা হরাউবদা পুবা ঙম্নবা পেনা ঈশৈ তম্বসু মথৌ তারক্লি। পেনা খোংবগী মরুওইবদি শৈশক শুনা খঙবা, ফমশক ঈশৈ শকপা ঙম্বদুনি হায়না লাইওইখ্রবা অহল লমন অশৈবশিংনা তাকপীরম্মী । ৱাফমসি ঙসিগী হৌরক্লিবা পেনাবু শিনফম অমা ওইনা পায়বিরিবশিংনসু খঙহনজনিংঙি ।

অহল লমনশিংনা লূম্না লৌজরম্বা নাৎকী অরেন খুৎলাই পেনা ঈশৈ, ঙসি হিংনবা হোৎনবদা, অফং অফংবা মফমদা থাদোক্তুনা থম্বা ঐখোয়গী শগোলনা অফং অফংবা খুন্দুনা চাবগুম থৌরম খুদিংমক্তা পংয়াওদা য়াওবা, মী অমা লাকপগীসু, খুল্লং ঈশৈ অমা শকপগীসু ষনশেন নহানা শাজৈ পায়বগুম শীজিন্নবা, লুহোংবগী বর খোঙলেংবদসু লাই লম থোকপগুম হোই লাওদুনা থোকলকপসি পুক্লিং নুংশিবা ফাওখি। অদুঙৈ চন্দ্রকির্ত্তি জিল্লা চৎপদা পেনানা লৌখিবা থৌদাং অদু নৈনরুরগা লুহোংবগী বর চৎপদা খোংনরকপসি উবদা কদায়দনো হায়ফম খঙদবা তৈন ওন্নবা অমা ওইনসু উরকই। লাল্লি হায়বদি চিন অসিনা হায়বা ঙমজদে, নুংঙাইতে হায়বদি হায়নিংঙি করিনা, অহল লমনশিংনা হায়রম্বা লীরম্বা ৱারী তাখিবা, খন্ন-নৈনখিবদা শরুক য়াখিবা লৈবননি।

মোইরাং অচৌ হায়না মীয়াম্না হেন্না খঙনবিবা ইকায়খুম্নজখিবা ওঝা নহাল লৈখিদ্রে। লাইনিংথৌ শামুরৌ লাকপা হরাউবদা চহী কয়া অসি অশৈবা অসিনা থৌগল তৌবীরকখি। লাইনিংথৌ শামুরৌ লাকপগী পেনা থৌগল তৌবীবসি হৌজিক্কী ওইনা পেনা অশৈবা ওঝা সিনাম অচৌ অমদি অশৈবা হেমাম অচৌ অনীসিনা শিন্ন শিন্নদুনা চহী খরসিদা পুবীরম্বা থেংনখি। মখা তারকপদদি লাইনিংথৌ শামুরৌ লাকপা অমদি অতৈ উমং লাই খরগী মরুওইবা থৌগল পুবা ঙম্বা মশীং হন্থবা উরক্কদৌরিবসি খল্লুবদা পূক্লিং অসি তয়াং তশোইরি। হৌরক্লিবা পেনাগী মীরোলনা অশৈবশিং অসিগুম্না হোৎনহন্নিংঙি, হোৎনরমগনিসু খঞ্জৈ । পেনা অশৈবা হেমাম অচৌবা কেগে মোইরাং লৈপাক্কী পেনা হঞ্জবা ফম পুবীরম্বা মোইরাং মাইকৈগীদা নত্তনা মণিপুরগী মশক নাইখিবনি। পেনা ফমশক ঈশৈ হায়রিবসি নীংথিনা শকপা ঙম্বা লম্মীৎলোন, নিংথৌরোন খঙবীখিবনি। মণিপুরগী উমং লাইফম অখন্নবা মফমশিংদা কোয়না চৎতুনা থৌগল তৌবীরমখি। মণিপুর পূন্বগী পেনা ফমশক শৈদান্নবা, খন্ন-নৈনবা ইপাথৌকোক্না পাংথোকখিবশিংদা শরুক য়াদুনা অচৌবা ফিদা কল্লমখি। খঙহৌদনা লৈখিদবসি ইপা ইপুনা থন্বীরম্বা নাৎকী মশক য়োকখৎপদা অচৌবা মফম কল্লিবা পেনা ঈশৈগী হাংহৌরগদববু মেশিনবা ঙল্লরোইদবা অমা ওইরগনি। ওজানা পায়বীরম্বা খুৎশু পেনা অদু মফম চানা মচা মশুশিংদা শিন্নবীরমগনি খঞ্জরি। লেম্না মাঙদবা ওইরকসনু ।

*—মাখোনমনি মোংসাবা*

# রাগ দরবারী-১২৯

**হিন্দীদা - শ্রীলাল শুক্লা**

(হান্নগী মখা...) সনিচরগী মায়পাকপা নুমীৎ অদুদা মহাক্না করি-করিনো ৱাখল য়াম্না শাগৎখি। মতম অদুদা মহাক্না ষ্টেটশিংগী কেপিটেলশিংদা মশিং য়াম্লবা ৱেদ্যজি অমসুং মন্ত্রিশিং অমদি চীফ মিনিষ্টরশিংগী লাইন্দা মশিং য়াম্লবা মফমদা সনিচরনা লেপ্তুনা লৈবা উই।

নুপা অদুগী মমিং রুপ্পন বাবু কৌই, মহাক্কী থম্মোয় লাংতক্নবা নুমীৎ অদুদা থৌদোক অমা থোকখি। অদুবু থৌদোক অদুগা মহাক্কী থম্মোয়দা লাংতক্নবা ফাওরিবা অদুগা করিমত্তা মরি লৈনদে। নুপামচা অদু নুমীৎ কয়ানিগী মমাংদগী নুপীমচা অমগী মথৌ তাদুনা লাকখিবনি। মদুগী মতুংদা মহাক্কী অনিংবা-অপাম্বা হায়বদি তিন-কাং, উচেক-ৱায়া, শা-ষণশিংদা ৱেদরগী মতুংইন্না অমসুং মীওইবদনা ৱেদরগী মখা পোন্দনা ৱাখল্লোল অদু ফাওনবগুম্না মঙোন্দসু ৱাখল্লোল অদু ফাওরকই। ৱাখল্লোল অদুবু মহাক্না 'নুংশিবা' হায়না মমিং থোল্লি। মদু ঐখোয়গী দিক্সনরিদা শৈরেংগী য়াওরিবা ৱাখল্লোল অদুগী মতুংইন্না লাকপা মাল্লি। নুপামচা অদুনা ৱাখল খনবা হৌরক্নম্মী মদুদি মহাক্না বেলাবু নুংশি। ৱাফমশিং অদু মপুংফানা খঙদবনা মরম ওইরগা মহাক্না খল্লি মদুদি বেলানসু মাবু নুংশিগনি হায়না। মদুগী মতুংইন্না মহাক্না বেলাদা নুংশি চিঠি অমা ইখি। চিঠি অদুগী পাউখুম বেলানদি পীরকখিদে অদুবু মহাক মশানা মফম কয়াদা অমদি কয়ারক হন্না পাউখুম পীবা মথৌ তাখি। মহাক্না পাউখুম পীবা মতমদা মশাবু কন্ট্রোল য়াম্না তৌজৈ। অদুবু মহাক্কী থম্মোয়নুংদা য়াম্না লাংতক্নবা অমদি ফাওখি। নোংমা মহাক্না খন্না মাষ্টরদগী বেলা অমদি বদ্রি শাফবা মখোয় অনীগী মরক্তা মরি অমা লৈনরে অমদি মখোয় অনী লুহোংলগনি হায়না তাবদা মহাক্কী থম্মোয়দা য়াম্না লাংতক্নবা অমা ফাওই। মহাক্কী থম্মোয়দা লাংতক্নবা অদুনা মরম ওইরগা গ্যান-মেন তাদবিদা মহাক্না প্রিন্সিপাল, ৱেদ্যজি, বদ্রি শাফবা, সনিচরনচিংবশিংগী মরমদা ৱাখল য়াম্না লান্না-লান্না খল্লকই। ঙসি ফাওবদি মহাক তশেংনা অশেংবা ৱাফমশিং অদু শুপ্নগী উৎলম্বা খক্তনি অদুবু হৌজিক্তি মহাক্কী পুন্সিগী অশেংবা থৌদোকশিংদা য়ুম্ফম ওইনা থোক্লকপা হৌরকখি।

মরম অদুনা অতোপ্পা নুপামচাশিংনসু খন্নরকই মদুদি ওৎপি-নৈবিবা অমসুং হন্থনা য়েংবিবগী ৱারি খক খঙবনা ওইবা য়ারোই। গধা অমগী ময়াংলেন্দা ৱেদ, পুরান, উপনিষদশিংগী জ্ঞান থাংগৎপদা মীওই অদু ইন্টরনেসনলগী থাক্তা ইন্টলেকচ্যুল পরিষদগী প্রসিদেন্ট ওইরবসু মীওইবা অমদি তশেংনা ওইবা ঙমদে। মীওইবা অমা ওইনবগীদমক লাইরিক-লাইশু হৈবা খক্তনা য়ারোই মদুগীদমক করিগুম্বা তোঙানবা থবক খরদি তৌবা মথৌ তাই। খন্না মাষ্টরনা বদ্রি শাফবগী নুংশি ৱারিগী মতাংদা তমদ্রিঙৈগী মমাংদা রুপ্পন বাবুদা ৱাফম অমসু হায়খি। মীফম অদু হোলিগী নুমীৎ হুম্নিগী মতুংদা থা থোক্লক্লবা মতমদা লন্বীগী মতাইদা লৈরিবা থোং মচা অমগী মথক্তা ফমখিবনি। থোং মচা অদুদা ফমদুনা নুমীৎ খরনিগী মমাংদা রঙ্গনাথনা রুপ্পন বাবুদা মহাক্কী য়ুমথক্তা মতোমদা লৈবদা থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদসু ৱারি তমখিবনি।

খন্না মাষ্টরগী মনাক্তা মালবিয়াসু লৈরম্মী। মখোয় অনী হান্নদগী হৌনা থোং মথক অদুদা ফমদুনা লৈরমখি। রুপ্পন বাবু অদু হোলিগী থৌরমদা লেপ্পা লৈতনা গাঞ্জা য়াওরবা শঙ্গোম থকপনা মরম ওইদুনা মশা অদু ইশোন শোন্থরম্মী। মহাক্কী অৱাবা চোকথরিবা অদু কোক্লনবা অমুক হন্না গাঞ্জা য়াওরবা শঙ্গোম অদু থক্তুনা রঙ্গনাথকা লোয়ননা হায়ফেৎ কোইথোকপা ওইনা থোক্লকই। থোং মথক অদুদা নুপা অনী ফমদুনা লৈরম্বা থেংনবদগী মহাক্না হংই, "কনানো মদুদা ফমলিবদু?"

"কনানো? রুপ্পন বাবু? খুরমজরি রঙ্গনাথজি, ঐ খন্নানি।"

"অতোপ্পা অসিনা কনানো?"

"মালবিয়ানি। খুরুমজরি রুপ্পন বাবু, লেংশিনবিরকউ মফম অসিদা ফম্বিয়ু।"

মহাক্কী ওজাবু খুরুমজবগা লোয়ননা চৎনবী অমা ওইনা মদুগী পাউখুম পীরম্লগা মহাকসু রুপ্পন বাবুনা ফল্লিবা থোংগী মফম অদুদা চঙশিল্লগা ফমলৈ। রঙ্গনাথসু মাষ্টরনা ফল্লিবা অদুগী অতোপ্পা মফম অমদা ফম্মী। 'বিগ ফোর'গী মীফম অদু হৌরকই।

চাওরাক্না মতম অদু নুমীদাংগী পুং ৯ লোম তারে। অদুবু নিল-খোংবদি অদুমক লৈরি। কোর্টকী মমাংদা ফম্বা দুকান অদুদা রেডিও অমা অদুমক থাদুনা লৈরম্মী। রেডিও অদুদা ফিল্মগী মখল কয়াগী ঈশৈশিং খোংদুনা লৈরম্মী। ঈশৈ অদুদা শীজিন্নরিবা ঈশৈ ময়েকশিং (লোল) অদু মতমগী মতুংইন্না হোংলক্লিবা হৱা-নুংশিৎকী মশক অদুমক তারম্মী। ঈশৈশিং অদুগী ময়েকশিং অদু চরাম-চদৎনরবা লৈবাকশিংদা অনৌবা মঙাল অমা পীনবা হোৎনবদা য়াম্না কান্নবা হায়বদু ওইরে। অদুগুম্লবা ঈশৈশিং অদুগী মখোল নুংশিৎকী মতেংনা অথাপ্পা মফমশিংদসু তাবা ঙম্নরি। লোয়ননা মখোয়না ফল্লিবা থোং ফাওবসু ঈশৈ অদু তাবা ফংই। নাক-য়েৎতা লৈরিবা উমং অদুদগীসু শা খরগী খোঞ্জেল তারম্মী। মদুনা ময়েক শেংনা খঙহল্লি মদুদি মখোয়দা পুন্না লৈমিন্নবগী থৌনা ঙসিসু অদুমক য়াওরি। খুঙ্গং অদুগী নাক-য়েৎতা লৈরিবা উমংশিং পুমকোক কোক্লবসু লৈবাক অসিদা উপায় লৈজদ্রবা ফুরুপশিংগী মতৌগুম মখোয়শিং অদু অতোপ্পা মফম অমদা অমুক খুন্দা লৈতনা লৈনবগীদমক অন্দোলন তৌনবসু শেম শারম্মী। ঈশৈগী মখোল অদুবু নমথরদুনা সিটিগী মায়কৈ তম্না ট্রক কয়ানা হোরোন হৌনা-হৌনা খোংলদুনা পুংদা কিলোমিটর ৭০গী চাংদা য়াঙনা থৌনরম্মী। নুমীদাংগী মতম ওইরক্লে। সিটিগী অহোংবা বারশিংদদি রমগী মখুম হাংদোক্নরগা হৈবা হৌনরম্লগনি। লন্বীগী মতাইদা হাংবা ধবাশিংদা শা-ষণ থোং-থাকপা অমদি তন্দুরি রোটিশিংসু হৌবা হৌরম্লগনি। অদুগা অতোপ্পা মফম অমদনা বিড়ি থক্লদুনা ঐবুসু ঙাইদুনা মীওই খরা লৈরম্লগনি। ৱাখল্লোল অদু য়াম্না অথাপ্পা মফমদগী থৌদুনা লাক্লিবা ট্রকশিং অদুগী ড্রাইভরশিংবুসু লাংতকনহন্নবা অমদি এক্সিলেটর কন্না নেৎলিবা অদুবু অমুক্না হেন্না কন্না নেৎশিনবগীদমক থৌনা অমদি শোয়দনা পীরমগনি। মদুগী মহয় অমা ওইনা মখোয়না ফল্লিবা থোং অদুদগী মিনিট মঙা খুদিংগী ট্রক অমমম্ য়াম্না য়াঙনা-য়াঙনা লান্থোক্তুনা থৌখিরম্মী। ট্রকশিং অদুনা থোং হেক লাল্লকপা মতমদা থোংদা ফল্লিবা মখোয়না নিংশাশ্বর থিংলগা খাঙই। ট্রকশিং অদু হেক লানথোকখিবগা ঐখোয় হিংহৌরে হায়নৈ। মদুগী মতুংদা মখোয়না শান্নরম্বা ৱারিশিংদু মখা অমুক তারকই।

ট্রকশিং অদুনা মখোয়না শান্নরিবা ৱারি অদুদা অয়েৎপা পীরবসু মখা তানা ৱারি চত্থরকই। খন্না মাষ্টরনা অৱাবা খোঞ্জেলদা রুপ্পন অমসুং রঙ্গনাথতা মতেং অমা পাংবিনবা হায়জরকই।

মীতৈলোন্দা - ডা. খাইদেম অথৌবা

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।